

বি: কুল্লচন্দ্রা শর্ম্মা

[illegible]

[illegible]

মুদ্রাকর—


গৌরাঙ্গ প্রেস

থাইবা :-

মিঃ ফুলচন্দ্র শর্মা, নগপম্ম খুমপাং মপান,
ইম্ফাল-৭৯৫০০১

অকোংবা :-

চিঙোম [illegible] সিংহ, থা-ইম্ফাল, কৈশাম লৈকাই।



অহানবা কোংবা :-
হিয়াঙৈ ১৫ নি (পুর্ণিমা) তাং ১১/১১/২০০৩ ইং,

লাইরিক মশিং :-
১০০০ (লিশিং অমা)

মমল লুপা ২০/-

লাইরিক ফংফম :-

১। বুক কেণ্ড পত্তশর রোড
২। রাজেন বুক ষ্টোর
৩। সেনন দীপোব ... বি.টি. রোড।

লাইরিক নম্ফম :-গৌরাঙ্গ প্রেস, হাওবম মরক, কৈশাম লৈকাই।

হিরম্ মায়াম

বাহৌদোক



হরি হয়া হে, হে খোইরোম লাইশ্নিংথৌ ঙঁলৌ য়াইবী-
য়েন শিদবা, য়াউরা কোনথাংসাংগী, নমু পোংথোক,
মথং লেংনা থেংভম লকপা, খিরেন উংলইস্নুংগী লাবা
খিয়াও থোকনা লমহওরকপা; খোইরোম য়াউরা নখোনজেন অহানবদা
লাংবন খোইমু খোনজায়বনা চেংলৌ সকথোও ওইনা, মালমেম মপুও
লাকহৌরকপা : কোরও নোংদোনগী অরাং নোং নিংথৌমচা য়োঙ্গরেনবা;
মালমেম লইসীয়কী লোননিংথৌ, অপোক চাতা লাইহুই হৌরকপা,
য়োঙ্গময়াই অঙানবদা বহিপপা; লাংবন ভৌস্না ভৌরিকলাইবু ঈমু মচেং
খোমনা থবী সেন খোঙ্গয়েন অপানবদা সনা ভোননৌ হুননা ভাইবং
থরাই অপকমা পুরমপু কোরও নোংজা খুদিং লাংবন কাওরেন সনসেনবগুম
অপোক ঈহন নোংদম্বা নমু পোংসেনবা, থরাই মিপোকপা লাইশ্নিংথৌ-
জো! খোইমুম সনা নথোঙখা ভাংলৌ থগাল লকা মানবদা লৌসীং
নাউরা সৈদমপান পাঙ্গমা সীলনৈ য়োমবনা মানবী থুংভপনা মুকমু
লৈভোন কোম, কাওবী চীগা লুকনা, চইরৈ ভকতা য়েং, য়ীয়া নাপী
চীক, থুংবাং চাংজৌ ১০ মকনা চেপনা লোন-না হয়া হয়া পুরমজরকে,
ভাথীবিগনো ॥ চীওঙ নভীক হাপপীয়ো, খোইমুম নওর্ল কংজগে ॥
হৈমুম হৈমুম হৈমুম ॥

গুরুসিংনা চুপসারোল মথল ৭ নি হায়রিরম্মী। কলাওবা ওখা-
শিংনা মথল ৯ নি হায়বী। হায়রিবা চুপসারোলসিংসি চপ মায়দে,
ভীসোন-লাইসোন, হইখা- পোখা থর থর অহুম থেরৈ। মওং-মতৌ,
মথল য়ায়া খায়দোকই। মওংসিংগী মতুং হয়া অয়াবদি মায়ৈ হায়না
য়াই। চুপসারোল থর :—

১) ক.ন্দা চুপসা,
২) নুমাঙ চুপসা;
৩) সাবল চুপসা,
৪) নুংপান লাললোঈ ভরেৎকী চুপসা
৫) সা কারুবগী সাচাক থাহুনা সাবা চুপসা
৬) লান কারুবগী লাঙ্গাক থাহুনা সাবা চুপসা
৭) লমলোঙ চুপসা
৮) কুরাক লমতাইবা, লইথোঙ ফাংপা চুপসা
৯) কুরাক লমতাইবা,লইথোঙ চুপসা (হায়বৈ)।

ঐখোয়গী মইতৈ লৈপাক্তা লৈরিবা মইতৈ জাতিদা নত্তনা অতোপ্পা জাতি কয়া মরুম অমম্ভু অা মমাঙতৈদগী হৌনা মাগী মাগী জাতিগী অমন্নুং ধর্ম্মগী মতুং ইন্না মথল মথেল কয়াগী মওংদা (চুপসা মোইথেম্বা) হায়বা থৌরম হেক হেক তৌনৈ। মসি মরম করিগীদমক্তা তৌনরিবনো, করম করম্বা মীসি মীনাদনা চুপ সানরম্বগে হায়রবদি— মহুগী মরম থম মথাদা পীজরি :—


ঐখোয় মীওইবম্বা সিবা-নাবা হায়বা অসিদা মরম, মতম চাদনা সিবা, তাবদা অকি-তুজুংবা পোকপা, উবদা তৌহৈদবা, সাগৈদা, ঈচা-ঈস্নুদা থোকহন্নাতদবা, মীওই চাদনা সিরিবা থুদিংমক অসিদা চুপসা মোইথেম্বা হায়বা ঈরাং থৌরমসিংসি তৌরগা কোকনৈ হায়হনা হৌজিক ফাওবা তৌনরিবা অসিনি। মহুদি করিগীনো হায়রবদি—মৈনা চাক্‌না সিবা, য়ুমথক্তগী তাহুনা সিবা, উতোন রাতোন্দগী তাহুনা সিবা, থৌরী য়ান্দুনা সিবা, মতোমদা হু চাহুনা, থাঙ-তানা থিন্দুনা সিজবা, মতোমদা ঈশিংদা চোংথহুনা সিবা, মচা পোকপা তমদহুনা সিবা, করিগুম্বা পুক্তা মচা লৈনা লৈনা সিবা, ঙা মরু য়ুহুনা শম্বুবা সিবা, মঙলারুহুনা সিবা, ঈ ওহুনা সিবা, জোঙ্কায়না নাহুনা ঈ ওহুনা সিবা, মীনা হাত্‌না সিবা, সারঈ হৌহুনা পংথহুনা সিবা, গাতীনা তক্‌না সিবা, ঙাওনা-কৈনা সিবা, সানা-ঙানা কৈনা হইনা, লমহইনা চীকুম্না সিবা, কুম পুহুনা নায়নপা সিবা, তেম্মাঙ লুদা, সোয়ালুদা চঙহুনা সিবা, জিন্না চিক্‌না

সিবা, লাইথৎ ভীনথৎ কয়ানা নাহনা সিবা, মুপা অমস্তুং মুপীনা মতম কুইনা মযুম-মকই পান্নমদনা সিখিবা, পংথা হুঈথা য়াম্বহনা সিবা, ঈশিং য়াকম, লমহন মুঙ লৈহনা সিবা—হায়রিবা অসিগুম্বা মীসি মীনা কজদবা মওং চাদনা সিবা মথল কয়ামরুম অসিনা সিম্বা নাবা ভৌরবসি মাগী মাগী সাগৈ-নাতৈদা অমুক হন্না খোক্তনবা হায়হনা জাতি অহুগী চৎনবী মতুং ইন্না চুপসা মোইথেম্বা হায়বা থৌরম অসি ভৌনৈ। চুপ অসি সাবা ভাবরবদি—সাগৈ মুনা ভিজবা, পীবা য়াওদবা য়াদে। হাননা সাগৈনা য়েনহেনখিবা মাপী য়াওগনি, কোননা হেনগদবা নাপীস্থ য়াওগনি। মতু সাগৈনা মসক থওনগনি।

চুপসা মোইথেম্বা অসি—অচৌবা অমস্তুং মচা হায়না খায়রি—কোন্নুং চুপসা হায়বা ১, খুন্নক চুপসা হায়বা ১—অনি থোক্লা খায়দোকই। কোন্নুং চুপসানা অচৌবনি, কোন্নুংগী পণ্ডিত লোইসঙনা ঈয়াংলি। লৈমা নিংথৌগী থবক্তি, পোৎচঙ য়াম্না য়াওই। খুন্নক চুপসানা মচানি, খুন্নকী অথঙ-অহৈ, মাইবা অমস্তুং মাইবীনা ঈয়াংলি। পোৎচঙ হুম্বা অমস্তুং পীকসন্না সাবা য়াই।

অনিমকসি ভীনসোন লাইসোন্দি অমতনি, পোৎচঙদা থর খেন্নবতনি। চুপসা মোইথেম্বা অসি লাইরবা মীনা পাক-পাক ভৌবা ওয়দে মরমদি সোরাৎ অমগী পোৎচঙগুম চঙই। অহুবু লাইরিকসিদা পীরম্বা পোৎচঙ অসিদি য়াবামখৈ পীকসিন্নবা, ভংঙাই কদনা চঙদবা য়াত্রবা পোৎচঙ থরনা পাঙনা সানবা মসিল সুনবা ভৌবতনি।

তাং ১৯ | ৯ | ১৯৯৯ ইং,



জুরি তাফম
শীংনাঙ
পীবা ফম্ফম
য়েনহেন
মীতম ঙমু
ফক্লোং
শেনখুনেং
য়োংখুনেং
অনম-অথৌ কোক্লবা
নাহৈফু
লা লাতোন
নোংচুপ
নোংপোক
কম্বী
ঙমু
খুনু
নাহৈফু
চীনফু
মাইতা
ঙানু
য়াংকোক
নুঙ
য়োং
সুক-সুম্বল
লোং
থাংজৌ
চরোং
শঙবাই

চুপশারোন

(মরুওইনা শুম্মাও চুপশা)

চুপ সাবদা চঙপদবশিং

পোংচঙ ঃ—ফিরাং অঙৌবা ৩, অমুবা ১, খুদৈ ৪, য়োং খুনেং ২, সেল খুদেং ২, হই মনম নাইবা ১, লৈসং মরোং ১, কোনয়াই পু ১, সিরিবা মী অহুগী ফিরোয় অসুবা ১, পীবাগী ফিরোয় অসুবা ১, লকোই লফাং ১০, চঙথোকপা ৬, ক্বা ২৬, মনা ২৬, কবোক অথ্ুম-অহাও, কাংসুবী, চু, হই, হইকল-লাকল, লা, চেঙ মরু ১৫, কৌদাং সংবাই ১, লাথেং মভোল ৬৮ য়াওগনি ।।×।। য়েরুম ২৫, ভারী পরেং ১, লী মকোন ১, থ্ুম সেল, থ্ুম-পাক ১৯, থাঙজৌ ১, য়োংপাক ১, সুক ১, শম্বল ১; মুঙপাক ১. য়াংকোক ১, মৈহুম ১, ভাহু খোঙগা ১, খুহু ১, ভাম্ম্ ৮, য়েনখোং তম্লবা য়েন ১, য়েনবা অঙৌবা ১ [ঈশিংদা তাহ্না সিবগীদদি লোং ১ য়াওগনি] লইরী ফ্ মচা ১০, মিতমক্ ১, চীনফ্-মায়ভাক্ ১, কেগাম ৭, কম্বী ১, খোইজু লৈথাম, ফাইরোঙ্গী মঙদারুক ১, থ্ম্বোল ১, যেনপোন ১, সীঙনাং লম ফাবা ১. য়েংতৌ চুপ ৮; পয়া ৩ না পুনবা লফ্ ১, ৭ না পুনবা লফ্ ১. ৯ না পুনবা লফ্ ১ গা, দক্ষিনা ৩৩ সংবাই মনা পানবা ১, পাবোংচৈ ১, হাম্বনা য়েনহেনথিবা নাপী অহু, হৌহেনগদবা সাগৈনা থংনয়বা নাপী ১. সললাইগী নাহৈবগী নাপী, ভাইরেন, পুংকাই, উয়েন লাবা পাম্বী ১, য়া-ম থয়, লুকমায় ৭ কী কবোক্ অথ্ুম অহাও তোংভানবা ১—আসসিংসিনি।

লাইসোন মথং-মনাও : —১) কোম্বারোল, ২) অনম-অথৌ, ৩) নাহাইরোল-লম্বুবা, ৪) পুঙখনবরোন, ৫) ঈরু লাইসোন, ৬) য়েনখোরোন. ৭) খোইজু লমরোক, ৮) ভূতওরোন, ৯) মুমিংকী ভোংথাল্লোল, ১০) মুমিং কাপপা, ১১) মাইবরোল; ১২) পোংনিং,

১৩) অভাই লাইসোন, ১৪) মুমতাই নাকসেং — ১৪সি মথং-মনাও কায়দনা সোললগা (১২) দা হইগোয় মুপান থাবা লাইসোন মোনগদবনি, মফুনা লোয়শিনগদবনি।

চুপ সাবগী হইথা-পোংথা মওং

চুপ সাবসি মাগী মাগী কুরপকী মতুং ইমা অকরবা তুমিং লৈনি। *মৈতৈগীদি সোরাং নোংমা রাংলিতেদা তৌনবনা অয়াম্বা ওই।* কায়রিবা তুমিংসিদদি সাগে তুনা তীমৈ। মানা মানা কংচনীভবা চেণ্ড-চাক, য়েনসাং-নাপী, শেয়চিংবা কংলৈ। নোংপোক ওনবা লা লাতোন ১ য়াওগনি। হইথা লাথাগী মওং :—

(পীরবিবা মসীভসিদা থাগদবা পোং)

১) দা—মোরা ১ থারগা পীবানা ফিরোয় সুনা শেংলগা কমগনি।

২) দা—সেল থুনেংনি, পীবগী খোঙ য়েংনা নেংকনি।

৩) দা—য়োং ,, ,, ,, ওয়না ,,

৪) দা—হাননা মেনহেন ওইখিবা নাপীনে, হৌজিক সাগে য়েনহেন ওই-গদবা নাপীনে ২ মক থংননা থমগনি।

৫) দা -অনম-অথৌ কোরবা ফিরাং ১ না ৪ মোক্লাথ পচিন্নগা নোংপোক ওনবা লা লাতোন অমা লাতোন্না মুমলোমদা ওনশিন্নুনা থারগা লা মথক্কুদা থমগনি। ফিতুগী মথক্তা চেণ্ড মেরুক ১ হন্নগনি, লফোই চণ্ডমোকপা ১ ভিপন্না থাগনি. কা, বুনা থেংকনি. লাংথ্রে মতোম ৭ চন-গনি, দক্ষিনা হাপকনি য়েক্রম জংহুম খিনগনি।

৬) তা—চক ১ দা মিন্তম গুমু ৭ হাপ্তুনা লা লাতোন ১ না মথুম থুমহুনা থমগদবনি, দক্ষিন্না হাপকনি।

৭) তা—নাহাইক দা ঈশিং, ভাইয়েন, পুংফাই সমাই-নাহাই নাপী, মসীভুন্না হাপকনি।

৮) দা—য়েংতৌ চুপ ১ মুংলগা সীভনাং লম কাবা ১ কৈমা কীরগা মতোন্দা লুকমায় ৭ কী করোক ফি ১ দা পুন্নগা য়ানগনি।

হুন্দারোল

৯) দা—ককলোং ১ থাৎনগা মথক্তা কমকম লমা অমুক থাৎনগা মথক্তা অনিথগী ফিরোং শুনা থাগনি। লকোই লক্নাং চঙথোকপা ও থাৎনগী কা মনা থেংকান, দাক্ষনা ও থাওগনি। পদা-লুঁপা কোনয়াই থাগনি। হুই-লৈ, চু, হুই মনম নাইবা, লৈসং মরোং ১, লাইথ্রে মতোন ৯, থা-গনি। অছুগা য়েংতোগী চুপ ৪ মুংচুনা মথক্তা ফিজঙ থনগনি। চুপ মথোঙ ৪ দা লোইরুক-নাউরুক থাগনি। মৈথু মৈরা থাগনি।

১০) দা—পয়া ৯ না পুনবা লক্ ১ থা-মাং পনগনি।

১১) দা— „ ৭ না „ „ „ „ „ ।

১২) দা— „ ৩ না „ „ „ „ „ ।

১৩) দা—থ্ম ৩, ৫. ৭ হান্না থ্মোক ১ থাগনি।

১৪) দা—কৌদাং ১, মথক্তা থ্ম কাপম, শেন কাণ্ডপ হাপকনি। লৌ মকোন ১, ঙাখা/ঙারী পরেংসু কৌদাং মথক্তা হাপ্তুনা থমগনি।

১৫) দা—য়েনখোং-তন্থা য়েনবা অঙৌবা ১ মখোঙদা তিংথোনা খোঙজী ২ শিবিরগা য়েনপোনদা থাগনি।

১৬) ভা—কৈরোয় মঙদারুকতা লা থেরুগা চেঙ থননা হাপ্তুনা চেঙ মথক্তা য়েরুম ৩ খিল্লগা থ্ম ৩ দক্ষিনা ৩ হাপ্তুনা ফিমুনা কুপ্লগা লুক মথাঙদা পয়ানা পুল্লগা থমগনি। লকোই লক্নাং চঙ থোকপা অমদা কা-মনা থেরুনা থাগনি।

১৭) তা—কন্থী ১ দা খোইজু লাইথাম য়িক্তুনা থাগনি।

১৮) দা—খুদৈ ২ নোংপোক-নোংচুপ ওননা থাগনি।

১৯) দা—লা মচেৎ ৯ পরেং থারগা মথক্তা চু-হুই, লকোই, কবোক, দক্ষিনা, লইরী ক্ ১ চেঙ থননা হাপ্লগা য়েরুম অম্রা খিন্দুনা থম-গনি। লা মথক্তা নোংপোক-নোংচুপ পরেং সানা খুদৈ ফিদাগী মনাক্তা থাগনি। কা ১, মনা ১, মপান্নদা হাপকনি। লাদি উপনা থাগদবনি, থ্ম মপাক ১/১ য়াওগদবনি।

২০) দা--লাসেং ৭ লোঙনা পরেং নোংপোক-নোংচুপ থাগনি। মথক্তা চু, হুই, কবোক, কাংঙবী, লকোই, কা-মনা ১/১ হাপকনি। কন্থী ৭

চেঙ থননা থবনা হাপ্লগা য়েরুম ১/১ খিল্লগা দক্ষিনা ১/১, থুম ১/১ হাপ্তুনা লেং সানা থাগনি।

২১) দা—খুদা ১ নোংপোক-নোংচুপ সাংনা থাগনি।

২২) দা—লাম্ভোন নোংপোক ওনবা ১ মত্তোল্লা অরাং ওল্লা থারগা মথক্তা কিল্লাং ১ অনি থোক্লা থুপ্লগা থাগনি। মথক্তা লকোঈ-লকাং চঙ থোকপা ১, থোক্তবা ২ গা উপ্পা থাগনি। ক্বা ৩, মনা ৩ থেংকনি (১/১ গী ১/১)। লাংথ্রে মত্তোন ৭ লৈছনগনি। য়েরুম ৩ খিনগনি, দক্ষিনা ৩ হাপকনি।

২৩) দা—নাহৈকুদা মনা-মশীং স্নুনা হাপ্তুনা খিনগনি।

২৪) দা—চীনকু-মায়তানবা ঈশিং হাপ্লগা য়াম থর নৈথায়ছনা পুকয়ু-লাইয়ু সেমছনা লাং মচেং থল্লগা থমগনি।

২৫) দা—য়েংভৌ চুপ ২ নোংপোক-নোংচুপ য়ুংলগা মথক্তা অমুক য়েংভৌ ১ কৈনা পুনগনি।

২৬) তা—ঙমু ১ মথৈদা পয়ানা লেংলগা ২৫) গী অকৈবা য়েংভৌছদা মকোক্লা মথা ওনথছনা য়ানগনি।

২৭) তা—ঙাহু ১ সু মখোঙদা পয়া পুল্লগা ২৫) গী য়েংভৌদা য়ানগনি। খুমু ১ মখোংগা মশাগা পুল্লগা লাইপাক্তা থমগনি।

২৮) দা—য়াংকোক ১ লোংলগা মৈছম ১ হাপকনি।

২৯) দা—মুঙ মপাক খোঙনা নেংপা য়াবা ১ থমগনি।

৩০) দা—য়োংপাক ১ থমগনি।

৩১) দা—সুম্বল ১ গা সুক ১ গস্থ থমগনি।

৩২) দা—ঈশিংদা ভাছনা শিরবদি লোং ১ থমগনি. নত্রবদি য়াওয়োয়।

৩৩) দা—থাঙজৌ ১ থমগনি।

৩৪) দা—শঙবাই অহাংবা, মনা ২ পানবা ১, মনাছদা লেঙছনা পুনবা পাবোংচইগা অত্তোপ্পা য়োংপাক ১ গা থমগনি।

৩৫) দা—চয়োং পাম্বী ১ কুক্লগা থমগনি।

লাইবগী কমকম তাকপা

হাইখা-পোং-থাগী মকম চুনা মকম মকম চানা থবা লোয়রগা মাইবনা ঈহান হান্না তৌগদবা মসিদি—১) মসা সেংদোক্লগা কোকয়েং ১ য়েংলগা মসীঙ (৩৬) থান্নিবা কমকম/ফিদাসিদা ফয়গা মথুং ২ লোয়চুনা —তেংবানবা মপু সিদববু লাইয়িংথৌসিগী মিংথৈ সোল্লগা হন্না হন্না খাগোম্নগনি। অতুগা লমন্থু কয়থা লাইনা কোনবগে হংলগা সনা-লুপা পায়তুনা "কোম্বারোল" সোল্লগা লাইসক-লাইমিং চুমনা সোনগনি। মতুংদা অপোকপগী কম্বাল মসীঙ (২২) ফিজি কাংলগা সনা-লুপা কংকনি। সনা-লুপা কংলবা মতুংদা নাহৈক্‌দগী তাইরেন-পুংফাই লৌদুনা থারিবা-কংলিবা পোংলম পুম্নমক্ত খিক্ত্‌না সেংদোকনি।

২) অতুগী মসীঙ (৩৭) থারিবা অসিদা মায় নোংচুপ ওননা পীবাগা মায়য়োক্লনা কমগা নাহৈক্‌দগী নাপী-সীঙবী, তাইরেন-পুংফাই পায়তুনা হান্না "য়েনহেন" ওইখিবা নাপী (মমা-মশীং) নে, হৌজিক "য়েনহেন" ওইগদৌরিবা নাপী (মনা-মশীং) নে, পীবানে, লাইগী কম্বালসিং [মশীং (১৮) না লাইবুংথৌ ৯ গী অমসুং মসীঙ (২১) না লাইমুরা ৭ কী কম্বাল-শিংনি] নচিংবনে হন্না হন্না। নাহৈ ঈশিং খিক্ত্‌না, খিক্লা খিক্লা "অনম অথৌ লাইসোল" সোন্দুনা সেংদোকনি। মথংদা, "নাহৈরোল লম্বুবা; মথংদা, "পুঙকনবলোন" মথংদা, "ঈরু লাইসোল" সোন্দুনা সেংদোকনি। হেক লোয়রগা মাইবনা হৌগত্ত্‌না থান্নিবা/কংলিবা পোংলম খুদিংমক নাহৈক্‌গী ঈশিংনা চায়থোকদবনি।

৩) মথা চথরকপদা মাইবনা মসীঙ (৩৬) তা অমুক চঙশিন্দুনা মায় নোংচুপ ওননা কমলগা নাহৈক্ ঈনাক্তা থমগা সিন্নিবা মী মমিং হায়রগা "য়েনথৌরোল লাইসোল" সোন্দুনা নাহৈ নাসেংগনি। মতাংসিদা মসীঙ (১৭) তা লৈন্নিবা খোইজু লৈথাম থাদুনা মৈথু কাহনগদবনি, অতুগা "খোইজুলময়োক" সকদবনি। মসিগী মথংদা "তুঙগ্নরোল" সোনগদবনি।

৪) মথং চথরকপদা মাইবনা মসীঙ (৩৮) থান্নিবা মকমদুদা চঙশিন্দুনা মায় মবাং ওননা কমলগা নাহৈক্ ঈনাক্তা থমগা খোইজু

লৈথাম অনৌবা হাপ্তুনা থাগৎলগা লক্‌ ৩ (মসীঙ ১০;১১,৮২) ছুপী মথক্তা খুদৈ ১ নোংপোক-নোংচুপ পন্নেং সানা সাংনা কুপ্তুনা থম্মগা "হুম্রিংকী ভেংথাগ্নোল" সক্কদবনি। অদুগা "হুম্রিং কাপপা লাইসোল" সোনগদবনি।

৫) মতুং তারকপদা, মাইবনা মসীঙ (৩৯) থাগ্নিবা মক্ষসিদা মায় অরাং ওননা ফমলগা "মাইবরোল লাইসোল" সোনগনি। অদুগা "হুইসোয় মুপান লাইসোল" সোনগনি; মথংদা, "পোংনিং লাইসোল" সোল্লগা "অতাই লাইসোল" সোন্দুনা লোয়সিনগনি।

চুপ শাবগী থৌরম পরেং পীবানা ফমফমদগী হওগত্রিতৈঙদা তৌগদবা চুপ-সাবগী ঈমুং-মসিল।

লাইসোলসিং সোনবা লোয়রবা, পীবনদি মহাকী ফমফম (মসীঙ ১,২,৩) দগী হওগত্রিতৈঙদা তৌহৌগদবা সিগ্নিবা মীসকী ঈমুংদা চঙদুনা পাংথোক্কদবনি—

মসীঙ (৩৪) দা লৈরিবা সঙবাই অদু পাবোৎচই লেঙসিল্লগা মুপা ২ না সাজম পুদুনা য়োৎপাক্তুনা পায়দুনা ঈমুংদা চঙগদবনি। ঈমুংদুগী ফুক্সাদগী য়োৎসবী থাংদোক্লগা রুৎ/উৎ থোক্তোক্তুনা মমুংদগী লইপাক য়োৎলঈ ৩ তঙগদবনি। তঙবগী মতঙদি - মুপা ১না য়োৎ পায়রগা লেংবান্দা হাইগত্তুনা মমায় নোংপোক ওন্দুনা ফুদা লাইরু মপাদা লেপকনি। মসিদা সঙবাইদু মাঙসোক লাইথংবদা (অরাংদা) থমগনি। মতাংসিদা মাইবনা কৌরকনি - "হো! তাওবা, হো! তাওবা, হো! তাওবা!" —অসুম্না ৩ লক কৌহল্লগা তঙগদৌরিবা মুপাদুনা—"হো— করি হায়রবগে" - হায়না খুমগদবনি। মদুনা মাইবনা অমুক হংলক্কদবদি— নঙনা তঙরিবদু করিবু তঙথোক্লিবনো? মদুদা তৌরিবা মীদুনা খুম্লকদবদি —ঐনা তঙরিবসিদি অতৈ নত্তে, ঈমুংসিগী মীসি-মীনা ফত্তবা, লাইথুং-জীনথুং ফত্তবা, মীনম-থানম ফত্তবা, আহম-অরায় ফত্তবা,

পুন্নমকপু তওথোকপনি—হায়না খুন্নগা য়োংলঙ্গ ৩ লক তওহুনা সওবাই-হুদা ৩ লক হাপকনি। অদুদগী মখুং ওন্নরা য়োং পায়রগা মুপা মখোয় ২ হুনা হান্নগুম সওবাইহু সাজম পুহুনা—হৈ, হৈ,—হায়না ঘান্না লুন্নরা পুবগী মওংদা পুন্নগা কোয়োও ঝাংবা লাননা পুথোক্লুনা খোংবান্দা হৈদোকখিগদবনি। অসেংবা-অফবা লম য়েংলগা ওসাই ক্লাদগী তওথোকখিবা লইপাক অদুগী মহুং শীনবা ওক্লনবা তওহুনা অমুক পুন্নক্লগা ক্লাদা অমুক হাপচিন্দুনা মেনসিনগনি। অকোনবগী অফবা লইপাক তওরমদায়সিদস্লু ওসাইগুম খুত্তা য়োং পান্নরগা মমায় অঝাং ওননা লেপ্পুনা লৈগনি। অদুগা য়োংলঙ্গ ৩ লক তওরগা সওবাইদা হাপকনি। মতমসিদস্লু ওসাইগী অদুগুম মাইবনা কৌরকনি—হো! তওবা, হো! তওবা, হো! তওবা॥ মুপা ২ হুনা খুম্নগনি—হো করি হায়বগে? মাইবনা—নখোয়না তওরিবা অদুবু করিনো—হায়না হংলকপদা তওরিবা মী অদুনা—ঐখোয়না তওরিবা লইপাকসিদি মীসি মীনা য়াওদবা, লাইথুং-তীনথুং য়াওদবা, পুন্সি নোংসাংবা, অক-সুংঙাইবা তওরিবনি—হায়না খুম্নগা অতওবা লইপাকতু সওবাইদা হাপচিল্লগা সওবাইহু—হোই. হোই—হায়না ওসাইগুম সাজম পুহুনা চওলক্লগা ক্ঙাগী তওথোকখিবা মফমহু মেনসিল্লগদবদি।

ক্ঙা মেনসিনবা লোয়রগা য়োংসবী থাহুনা মৈ হৌরগা মৈ ঈরাংকাদবনি। মাইবনা নহৈক্ পায়হুনা মৈকমচিংবা ঈমুং পুন্নমক—"মুমতাই নাকসেং লাইসোল" সোন্দুনা নাহৈরগা সেংদোকনি। অদুগা মুবগী লাইনিংথৌ সনামহী চেৎনা থাগোম্নহুনা পুন্সি নোংসাংবা নীজগনি।

৬) মথক্কী অসিনগী ঈমুংগী থৌরমসিংসি লোয়রগা মসীও (৪) থারিবা মফমসিদা লৈরিবা হান্নগী য়েনহেন ওইখিবা নাপী, মনা-মসীওহু ওাম্ন অমমুং খুম্ন লৈরিবহুদা থমগনি। অদুগা খ্বাইদগী ঈহান হাননা পীবাবু ওাম্ননে খুম্ননে য়েনহেন/নাপীনে লৈরিবহুগী মথক্কা চীক্- চীন-লেংহল্লগা নাহৈক্দগী ইশিংনা খুং সা সেংদোক্লগা দক্ষিনা ১ মফমহুদা

মগীও (৬) দা কৎলগা মসীঙ (২৮) থাম্বিবা য়াংকোক্তনা খোঙ ২ মক কাথত্না নৈংলমগদবনি। অহুম মতুংদা মসীঙ (২৯) থাম্বিবা মুঙশাক মথক্তা লেংকদবনি। অহুদগী মসীঙ (৩০) থাম্বিবা মকমহুদা লৈম্বিবা য়োংপাক্ত খুৎ ২ না পায়রগা লাইপাক্তা ৩ লক য়াল্লমগদবনি।

৭) মতুংদা পীবাদা পয়েং অহুম লাক্তনা মসীঙ (৩১) থাম্বিবা মকমদা লৈম্বিবা সুক্ত পায়হুনা সুমলহুদা ৩ লক সুম্রমগদবনি।

৮) মহুগী মথংদা পীবাহুনা মসীঙ (৩২) থাম্বিবা মকমহুদা থম্বিবা লোংহু ৩ লক খোল্লমগদবনি।

৯) মথা চথরকপা ওইনা পীবাহুনা মসীঙ (৩৩) থাম্বিব মকমহুদা লৈম্বিবা থাঙজৌহু পায়হুনা লইপাক্তা ৩ লক য়ানগদবনি।

১০) হেক লোয়রগা পীবাহু তেঞ্জৈগী খুদম য়েক্লিবহুগী মায়ওন মতুং ইয়া চংজিবা লম্বীহুদা কায়দনা লাক্তুনা লক ৩ থাম্বিবহু কান-কানহুনা চুপ্পা লাক্লগা মায় মথা ওননা মসীঙ (৮) থাম্বিবহুদা লৈম্বিবা সীঙনাংহু লিঙ্গনা লাক্লগা মসীঙ (৩৯) থাম্বিবা শাগৈ অপোকপগী তাংখলহুদম্ব ওমজবা কংকদবনি অমসুং পুক্লিং সেংনা সাগৈ অমসুং সাগৈ পীবানা মানা মানা ওমজবা অমসুং কংচনীঙবা কত্না খুরুমজগদবনি। সাগৈ পীথা তৌখিবা চীনক-চীল্লেংবদগী হৌনা মথং মথং চথখিবা পুম্নমক্ত সাগৈগী মীপুম্ব ঙিংনা য়াসীঙসুনা, চিথদনা অমসুং মুপী অতাং থাক্তনা তৌগদবনি। মতাংসিদা চুপ সাবগী থৌরম পয়েং লোয়রে।

মাইবদা দক্ষিনা তৌবগী মতাং

মাইবদা দক্ষিনা তৌগ্রিবৈঙগী মমাঙদা মসীঙ (৩৫) থাম্বিবা মকমদা ওসাই থমখি-থাখিবা চয়োং পাম্বীহু মাইবনা হেক খোল্লকপদা উপদবা লম্বী মতায় ১ দা লাইপাক্তা থাজিন্দুনা হাননবা থম্বীরমগদবনি।

মাইবনা দক্ষিনা তৌবগী মওং-মতৌ অমসুং য়ায়েলনা মসি/দক্ষিনাসি ইস্লুদা, মাজোল্লা, সুম্মাঙদা তৌবা য়াদে। মসিগী মওংসিদা চংনম্বিবা য়ায়েল-য়াথুনগী ওইবা দক্ষিনা তৌবগী খুত্তৌ মতৌদি—

মাইবনা লাইশিংদা কৎলিবা পোৎলম খুদিংমক লোন্তুনা/খোমজিন্নুনা মসীঙ ৮ থাম্বিবা মকম জুম্বিত্তাকমদা পুম্নুনা/য়োমহুনা থম্লিবা কথোক ময়োমছু পায়রহুনা মহাক্কী মশাগী মপোৎ-মচৈগা লোইননা থোকখিবগী কোন্থোক য়োম্রমদাইদা থৌরম লিংখৎলিবা য়ুম্নুনা—ও, মাইবা। ওঁ, মাইবা! ও, মাইবা—হায়না কৌরগা,—করম্বা মাইবনো ঙাওবু ঙাওব্রা! দক্ষিনা লৌদনা তুমিন চৎখ্রিবা করিগীনো? ভাইখোনে—হায়না হায়রকপদা মাইবহুনা—ইহে চুম্মিনে দক্ষিনা কাউরম্লেদনা—হায়না কোনথোক মঙ্গুংদা য়ুম্বু অহুবু লেপহল্লগা মাইবহুনা কোন্থোক য়াংমদা লেপ্তুনা দক্ষিনা লৌগদবনি। য়ুম্বুহুনা—সে-সে মাইবা; কত্তবা পুম্নমক কোকচরগে, নঙনা পুহুনা চৎপীগ্রো—হায়না দক্ষিনা পীগদবনি। মহুদা মাইবহুনা—করে-করে, অবা-অনা পুম্নমক কোকপা ওইরসঙ্ঘু, ঐনা পুথোকপীরমগে—হায়রগা লৌগদবনি। দক্ষিনা লৌবদা মাইবনা সোনগদবা লাইসোন্দি :—

হে লাই থরোবা, নচা খুন্তেক, নমৌকাত্তি,
লাই থরোবা নচা য়াম্না পোক্রো নমৌকাত্তি
য়াম্না থিরো, নচা পুম্নমক, নমৌকাত্তি
ময়াম্না চপ্তুনা সিরো। নঙন্থু নমৌকাত্তি
ময়াম্না চপ্তুনা সিরো, কত্তবা হাওখীবা
পুম্নমকন্থুং নমৌকাত্তিনা চপ্তুনা মাঙলবনে॥

অম্নুমা সোন্দুনা দক্ষিনা লৌগদবনি। মহু ওইরবদি কত্ত-হাওদি পুম্নমক কোকই, কোক্লনবনি।

মাইবনা দক্ষিনা লৌবগী থৌরমসি লোয়রগা ঙসাই মাঙজৌননা মহাক্না হেক্তা ঈরায় লায়না উগদবা মকমদা থাখিবা চরোং পাম্বীহু উগনি। চরোং থাম্বিবা মকমহুদা মাইবনা চঙসিন্নুনা ঙসাই পুরকপা কথোক ময়োমহু খি অহুমমক য়াওনা য়াওনা হৌজিক্তা লৌখিবা দক্ষিনাহুগা কোনননা চরোং মথোঙহুদা থমহুনা কৎলগা রথাগী লাইসোলসি সোনংগদবনি, মহুদি :—

সে সে, হে চরোং। নাপকী নাপাগদা চপসা মোইথেম্বগী গুরুনা লোন্থুনা লৈএ হায়বগীদমক নমিংবু চরোং কৌয়ে। চরোং মখোংদুনা লোন্থুনা লৈরিবা চুপসা মোইথেম্বগী মপ্রোং-মচৈ চাবা হে গুরু! নমিংদি — হামুবী-হামুবা, লামুবী-লামুবা কৌয়ে। চুপসা মোইথেম্বগী পোৎকমসি গুরুদা কৎচরি। মসি চাবীরগা গুরুনা তাইবং-মালেমদা ...... হুয়োঙ্গা পোকচহুনা পাল্লম্বা (হোঙবা/চাওবা/তোম্বা) কৌবা অসিনা মচুং মতম চাদনা (ঈশিংদা তাহুনা নত্রগা গাড়ীনা ভক্তুনা) লৈখিদবদগী মহাকী ইমুং ওইনা তাইবংদা লৈহৌরিবসিংসিদা, মাগী সাগৈ-নাতৈদা থোক্লগদবা অরা অনা. তুরঙ্গ ঈরঙ্গ চনবা, মীসি মীনানচিংবা পুম্নমকপু গুরুনা ওসিদগী কোকপী চামবীরম্মো, তীনকোক লাইকোকচরগে, অক শুংঙাই কুবিরম্মু। অহুগা ননাই মাইবা ঐনা চুপসা মোইথেম্বগী থৌরমসি তৌথি, পাংথোকখিবনা হইখা পোৎথা লানখিবা, হায়গদবা রানা হায়হৌদবা; হায়রোই-দবা রানা হায়দোকখিবা, রাহৈ নাতৈ সমদৎপা, কুথোই থোইমন য়ামবা পুম্নমকপু মিংয়েং মতম সোয়নাইবা, মিংয়েং পাংসোয় নীকনা য়েংবিহুনা থোজাল নোংদমবীয়ু। গুরুগী সনা নখোঙথাদা সীরজরিবা অসিনি। অনুমা সোল্লগা খুৎ য়েংকী খুদোম্বীদা—"কে! থম"—হায়বা মিংথৈসি সোল্লগা লইয়ি ১ কৈনা চিংগদবনি। অহুগা হওগস্তুনা লাকদবনি। মসিগী মতুংসিদগীদি য়ুমদা লাকপা য়ারে।

য়ুমদা য়োরক্লগা মাইবনা তৌগদবা

মাইবনাময়ুম হেক য়োরকপগা পুরকপা পোৎলম-চৈরম পুম্নমক্ক য়ুমগী ঈমুং-মাঙোন্দা পুসিনকদে, পুসিল্লোয়দবনি। সুমাঙগী (তুলসীবুঙ) দা পোৎলমসিংহু থেম্দুনা থম্লগা মাইবহুনা মমায় নোংপোক ওন্দুনা হুমিং খুরুমগদবনি, মহুগী লাইসোল্লি — "ওসি কৌবা কে হুমিং! মঙাং, মুরাং, খুমন, গুরু নখোয় ৩ মরুা তিল্লগা নমিংবু "লাংপুম" কৌরে। লাংপুম কৌবা হে গুরু! চুপসা মোইথেম্বগী পোৎলম পুম্নমক নখোয়দা কৎচরবনে— হায়না সোল্লগা পোং থর মথক্তা রাংনা চনগৎকদবনি, অহুগা মুয়ুক

সোনবগদ..নি, ...ি "...ি ... ...গপা অসিদি কায়া ঐবা কংজরগে"—হায়মা মীজরগা পোৎলমসিং অহু চাবা মায়রে অমসুং চাগদবনি।

মথক্তা পীজখিবসি চুপসারোল পুম্না/লাইরিকী মচুংইননা পাউদমজবনি।

অতৈ চুপসাসিং খর

চুপসা মখল তোপ্পা তোপ্পা লৈ হায়বসি মথক্তস্থ মতাং অমদা পগ্রথে। চুপসা মখল ৭ (মথক্তা পীজখিবা চুপসারোল ৯ গী মখিংসিং-সিদগী মসীগ ১দগী ৭ কাওবহুনি) অমসুং ৯ (মথক্তা পীজথে) মমুংদগী থ্বাইদগী হেন্না শীখিনরিবা ২ দং লৌথতুনা উৎচরি।

ফুঙ্গা চুপসা

ফুঙ্গা চুপসা হায়বদি ফুঙ্গা অমথক্তদা (ঈমুং অমথক্তদা) সাধা চুপসাবু কৌই। মসি কনাগুম্বা মী/ঈমুং অমনা লৈত-লাররা, মীচঙ-মীয়োম লৈজদবনচিংবা খুদোংচাদবা হিরমসিংগী চৈথেংদগী সাগৈস্তুনা খোমহুনা চুপসাবগী থৌরম পাংথোকপা ওমজব্রবদি সাগৈগী মীয়িং য়াওদনা মতোমতনা মাগী ওমজবা থাক্তা লৈজবা পোৎলম খর লাংলগা মথন্তগী ঈমুং-মমুংগী মী মখোয় মথৈদা চুপসাজবস্থ য়াওই। মরমদি চুপসাবগী থৌরমসি তৌদবা য়াদ্রবা থাদোকক্রবা ঈশা ওাকথোক্রবগী থৌরম ওইনা মৈতৈশিংনা লৌনৈ অমসুং তৌনৈ।

ফুঙ্গা চুপসাগী থৌরমসি পাংথোকপা তারবদি মথক্তা পীজখিবা পুম্নমক্কী ওইবা, অসুম্বা চুপসা মোইথেম্বগী "হুইথা-লাথাগী মওং" দা খর পীকসিন্না থারগা মসীগ ১) থারিবা মকমদা লৈরিবা সাগৈ পীবাগী কমকমহু অহুমক্তি থারগা সাগৈ য়াওদবনিনা পীবাস্থ য়াওরয়োয়দবনিনা কমকমহুদা সাগৈ পীবাগী মহন্তা চুপ সাগলৌখিবা ঈমুং/ফুঙ্গাহুগী পীবাং

(নাওশাগী) নত্রগা থ্বাইদগী অহল ওইরিবা (য়ুমুরেন) অহু কনহল্লগা চুপসা মোইথেমগনি। অহলছুনা/য়ুমুরেনসুনা/(নাউদা) পীবাছুনা সাগৈ পীবানা মথকী চুপসা মোইথেবগী থৌরম পরেংদা পাংথোকখিবা মথৌ-মওম পুরমক্ পাংথোকনি অমসুং ভৌগনি।

সুমাঙ চুপসা

সুমাঙ চুপসা হায়রবদি সাগৈ-নাইত্তে পুরমক-য়াওনা সাবা চুপসা মথলছুবু কৌই। মসিমদি সাগৈগী মীসিং ভাকবা অমসুং ভাইদবা য়াদে। সাগৈ সুমা হায়রবদি মীপুম ভিংনা, অমতা চিথদনা পাউ পীগদবনি। সাগৈগী মীকোক সুনা ভিন্নগা পাংথোকদবনি। চুপসাসিদদি ওসাই অহানবদা লৌথংচখিবা খ্,াই পুরমকী অপুনবগী অসুপ্পা চুপসাছুদা পঙথখিবা মসীঙ (১) থারিবা পীবাশ্বি কমকমদা সাগৈ য়ুমলেন পীবাবু কমহল্লগা চুপসাবা হৌগদবনি। মসি, সিরিবা মীছুগী মধুমগী সুমাঙদা পাংথোকপা অসিবগী মথৌ মওম ভৌবগী মথক্তা ভৌবা লাইথৌ থৌরম, চুপ সাবগী থৌদৌনি হায়রুনা সুমাঙ চুপসা কৌরিবনি। সুমাঙ চুপ-সাসিদা সাগৈ সুনা ভিন্নবা য়াদবগী মরমদি সাগৈ য়েনহেনগী মভাংসিননি। য়েনহেমসিবু মৈত্তৈনা নামুংবা নত্রগা নামুংয়েন ওইনা লৌনবনা সাগৈগী মীপুম ভিংনা খঙহনবা অমসুং খঙমিন্নবগী মথৌ চঙবসিননি। অছুগা মসিদা চথরিবা থৌরম পরেংদি মথকী অসুপ্পা চুপসাদা পীজখি-পাউজমখিবছুপা চপ অছুম মায়ে।

সাবল চুপসা

নরুলক্তা নত্রগা অমহাওদা হায়রবদি মী ভারিমা মমমগী থাংমদা, য়ুম-কাইথোলগী মপান্না সাবা চুপসাবু সাবল চুপসা কৌই।

খুংপাম লাগোই-অরেংকী চুপসা

খুরোই হাওয়া লম্যাংভোং (হৌজিকী বিষ্ণুপুর/বিশেনপুর টাউন) দা য়াকমৈ ওইছুনা পাজবা লীরা পীতা লোংতংবগী মতা থোইলোমগী চাদা-

নাউদা কানভেক কুরুপকী ৬ সুবা লৈঙাকপা কাম্ভেক সোংনাইপা/সোংলাইবগী মনাই অথৌবা লাল্লোঙী ৭ পু মোইরাংগী অঙাং পম্বোঙ ঙাকপা কাকলেন নোংতংসুচানা মাগী তাম্রোয় হাওম্বু কৈসী তোন্বী গোননা হাংখিবগী লমন থুম্নবা তানয়কুদা মখোয়বু মঙক কক্কুনা হাংলগা মখোয়গী লুয়েন পুয়কখি। মখোয় ৭ পু হাংলুবগী কক্ত-হাওদী, অরা-তুরৈ-ঈরৈ চনবা ঙাকথোক্লবা/কোক্লনবা কাকলেন নোংতংসুচানা সাখিবা চুপসা অহুগী মওং-মতৌ তমহুনা সাবা চুপসাবু সুংপান লাল্লোঙী ৭ কী চুপসা হায়না কৌই। মসি "লাকথা লানমিং থাবা য়েনবং হীরোয় চনব"গী মশক ১ নি।

সা ফারুবগী সাচাক থাহুনা সাবা চুপসা

সা ফারুবগী সাচাক থাহুনা সাবা চুপসা হায়বসি ফারুরিবা/হাংলুরিবা সা অহুনা সিঙম-নাঙমদনা সিখিবা; মমিং, পাংনা, ময়া ফারা-কানা মীসি চাদনা সিখিবা অহুওম্বা মসিহু সা অহুবু ফারু-হাংলুরিবা মীহুদা তেসন হজিন্দনবা, অরাবা তুরৈ-ঈরৈ চনবা কোক্লবা সা অহুগী মচিঙ্গাক থাহুনা/তমহুনা/পীহুনা মথাই মমি কৌরগা পেনহন্দুনা থেম্বা অমসুং তেংবান মপুদা হায়জহুনা কক্ত-হাওদী লাকদবদগী নাম্থোক-কম্থোক্লবা তৌবা লাইথৌ থৌরম্বু কৌই। মসি কৈয়াঙ থেকপগী মওং-মতৌ ১ নি।

লান ফারুবগী লাঞ্চাক থাহুনা/থাক্কুনা সাবা চুপসা

মসি মথকী সা ফারুবগী সাচাক থাহুনা সাবা চুপসাগা মান্নৈ। থেম্নবদি মথকীসিনা সা ফারুবগীনিনা সাগী মচিঙ্গাক থাবা অমসুং হৈংনারিবসিঙ্গীনা মী হালুবগীনিনা মীগী মচিঙ্গাক থাবা/থাকপা অসিনি/থৌরমসি অসেংবা "লাকথা/নাকথা লানসিং থাবা, য়েনবং হীরোয় চনবগী মসক্কি"।

লমলোঙ চুপশা ।

লমলোঙ হায়বদি লম্বী লমথায় ২দগী তাদবা মফম মচুদগী লম্বীশিং-চুনা লম-লম লোঙনা-কাংনা চৎনখিবা/ থুংনরুবা মফম, লমলোঙচুদা সাবা চুপসাবু লমলোঙ চুপসা কৌই। মসিস্থু য়ুম-ঈংখোল য়াংমদা সাবা চুপসনি অচুবু মী ত্তাবা লমগী মপান্দা নত্রগা মম্বংদা ওইবা য়াই।

কুরাক লমতাইবা লইথোঙ কাৎপা চুপসা

মৈতৈ লাইনীঙলোনগী লাই ত্তাইনবা, কোয়ৌ লানসাবা (ভুংগী পুঞ্জিদা/ মপোক্তা য়াইকনবা পাংথোকপা লাইনীঙ-লাইথৌ) হিয়াঙৈ কুমসাবা/কুম-তাইবা; খোং লাংপা, লম তাইবা/লাৎপনচিংবা পোংকৎ চাকংকী মতুং-ইন্না খায়দোক্লিবা তাইরিবা লাইচুগী পেনহন্মনা লাৎপগী মরম্ভা চয়াৎ/চারাৎ — (মী কংপা), কোয়াৎ (মখোঙ ৪ পানবা সা কৎপা), কুয়াৎ/কুরাক, মোয়াং (মসা পানবা অমস্নুং মখোয়গী যরুম কৎপা) অমস্নুং ঈয়াৎ (ঈশিং, হৈ-লৈনচিংনা কৎপা. — কোয়াংকী পোংকৎ-পোৎলাং তৌচুনা লম তাইবগী থৌরম পাংথোকপদা কোংবা লাইথোঙ কাৎপগী মওং-মতৌ, মচৎ-মনাৎ নচিংবাগী মতৌ লৌচুনা/তমচুনা পাংথোপা/সাবা চুপসাবু কৌই। মসি খুম্হোঙ লাংপা (হৌজিক্তা লমতা সয়োয় থাঙবা) গী মথল অমনি।

কুরাক লমতাইবা, লইথোঙ ফুনবা।

মসি মথকী কুরাক লমতাইবাসিগা মান্নবা থৌরমনি। ৎেন্নদ্বিবা হায়ববু মথকীসিনা লইথোঙ কাৎপগী মচৎ-মনাৎ লইপাক তওথোক্লুনা লাই - য়ায়েলগী খুদম-চাংদম য়েংননবা থৌয়াং তৌবগী মওং মতৌদনি, অচুগা নৈনরিবসিনা লইথুন ফুনবা হায়বদি সজিবু নোংমা পানবদা "লইথোঙ কাৎপগী লাইথৌ পাংথোক্নুনা লইপাক তওথোকখিবা মফমচু মতুংদা সজিবুচুমকী ৭নি পানবা চুমিত্তা তওথোকখিবা লইপাক্নুমক পুরক্না অহোবা তওথোকখিবা মফমচু মেনজিন-তাইসিন্নবা অমস্নুং থোজিন-ফুজিন্নবা অচুগী মচৎ-মনাৎ, মওং-মতৌনচিংবা লৌচুনা/তমচুনা

পাংথোকপনি। মসি লমছুগী মতেং লৌতুনা লাইগী লোংদম, য়েংলুবগী মতুং-দা মা-মাগী মপোৎ-মচৈশিং মহনফমদা হুনবা, মতেকমদা থৈবা অমসুং মালেম লইমগী লমন্ সিংতুনা লমতাইবগী লশক অমনি।

লাকথা/নাকথা লানমিং থাবা য়েনবং হিরোয় চনবা

মথক্কী "লান কাকবগী লাকাক থাহনা/থাক্‌না সাবা চুপসা" গা মাদৈ।

তুগুগোয়বী চনবা

মৈতৈ নিংথৌনা সাকম-লানফম চংলুরগা মহুদগী কত্তুনা পুরকপা মরোক অহু মৈতৈ কোমুং (মরুওইনা কোমুংলেন/কংলা কোমুং) গী লমথৈ অমুংদা নিংথৌকোন/নিংথেমকোনগী লাকথোগুগী অমাং, নিংথৌগী য়াহিপ য়াতাকম সল্লায়রেনগী মোংচুপকী মায়কৈদা নিংথৌকোনগী ওমথৈদা লাং-লিবা তুগুগোইবী লাইরেম্মা অমসুং তুগুগোয়বা লাইয়িংথৌগী মমাঙদা থাহনা/থেম্নুনা কংলগা মকমহুদা তওথোক্লগা ক্‌মহুনা পাংথোকপা চরাংকী মওং অসিবু কৌই। মসি, লৈপাকী অমসুং নিংথৌ মশাগী ওইবা লাইথৌনি। থৌয়মসি মীকোক তানবা/কংপা (হেড হন্টিং) গী মহুংচনবা চুপসারোনগী চুপসাগী মতৌ ১ নি।


কোনয়াই হুনবগী মরমদা খরদং

"কোনয়াই হুনবা" হায়বসি য়াই ওইবা কোন, হায়বদি মমল লৈবা/য়াম্বা কোন/মেটেল লাই-তৌন্দা কংচবা/কংপবু খঙনৈ। মসি মমল হুনবা/পীবগী য়াথল অমসুং য়াথরোন পুদে, কংচবা/লাংচবগী য়াথল অমদি য়াথলোন্দা তোংই/পুই। মমল য়াম্বা কোন হায়বদি কোনয়াই ওইরিবসি মৈতৈ খুন্নাইদা সনা অমসুং লুপা অনিসিনি। অনি অসিগী অপীকপা মচেং অনিথক লাই-তৌন্দা কংননবা/হুননবা অসেম্বা অশাবা সরুক্‌বু "কোনয়াই পু" নত্রগা "কোনয়াই পু অমা" হায়না কৌই/খঙনৈ। অমুম্বা মমল য়াম্বা কোন কংপা অসি, কোহুননা অপীকপা মচেং ওইরবমু মমল

পুবা পোৎসক ওইবনা. অঙমবা থরনা ঙমজরবস্‌ মীপুম তিংনা ঙম্মদে। মরম অসিগী য়েংহুনা মাইচৌ-পণ্ডিতশিংনা লৈত লায়রা থাক্তনা ঙম্বা য়াবা মহুৎ সিমবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা থুম্নাইদা থুদোল তৌরম্মী। থুদোল-সিদা সনাগা মচু মল্লাবনি অমস্‌ুং লুপাগা মচু ম'মবনি হায়না লৌরবা পোৎলম অনিহুগী মমিং "মালেম লইম্মা অঙাংবা" অমস্‌ুং "কোয়ৌ নোংলু-মপান অঙৌবা" হায়না পাষ্টে-পাউরৌ তৌনা থোল্লম্মী। পোৎলম অনিসিগী পোৎসক্তি মথংসিংপা "য়াইঙঙ অমস্‌ুং পাগ" অনিসিনি। অনিসিস্‌ অমুক করিগুম্বদা মীঙোন্দা চঙজ-নোঙ্গুবা, নীঙ হাম্রেজবা চঙবগী য়াকর্ম লাকপনরা করিনো, য়ুমথোঙ থুদিংমক্তা হোংনা অমস্‌ুং তঙনা কংবা পোৎসক্তা মহুৎ সিন্দুনা কৎচবা য়'হল্লকথি। পোৎসক অসি, মৈতৈনা .চঙ চাবা মীশিং ওইবনা য়ুমথোঙ থুদিংগী চাকথুম মৈ মুৎনদবনা চেঙবু থোহল্লিবা কৌনি। কৌ অসি শুম্বলদা সুবা নস্তনা থুংনা থোকপদা কংলকপা চেঙগী মরক্তা মচু অঙাংবা/ঙাংলপ তৌবা চেঙ (তাঁওথবীনচিংবা মসানা ঙাংজনা চেঙ মথলসিংদি নত্তে) অমা, অহুনা সনাগী মহুৎ সিম্নে অহুগা চেঙ অঙৌবা অমনা লুপাগী মহুৎ সিন্না সিজিন্নবা য়াহল্লি/য়াই। অস্নুম্না অঙম্বা, ঈনাক থুনবনা সনা-লুপা, ঙমদবা লায়রবনা য়াইঙঙ মচেৎ ১, পাগ মচেৎ ১ নত্রগা থুংনা থোকপা চেঙ অঙাংবা ১, অঙৌবা ১না কোনয়াই হয়ে, সনা লুপা কৎনৈ।

কোনয়াই হুনবগী লইয়াৎ।

মৈতৈ লৈপাক, মণিপুরগী তম্পাক অমস্‌ুং কংলই/টাউন অসি মমাঙ-ঙৈদগী হৌনা লৈঙাক্লোনগী লইয়াৎ মচা ৩২, অচৌবা/পানা ২. মহুনা ৪ অমস্‌ুং ওানা লৈকোক কংলই লইকায় ৪ থোক্না অমস্‌ুং সাম-থোৎনবগী লইয়াৎ নত্রগা পানা ২ অহুনা ৪, অমস্‌ুং ৪দগী ওস্থরকপগী থুংথায়দোকসিং লৈবগুম কোনয়াই হুনবগীস্থ লইয়াৎ অমস্‌ুং লইয়াৎসিংহুগী মমিং মথা তোঙান তোঙান্না লৈ, মথোয়হুদা কোনয়াই হুনবগী লথসিহুংগা লৌজিকী



মতম্বগী অমৌবা মশিং নিংথৌ, মপা-মপা ওইনা হৌরকপা/হৌগদবা লাই-সোনগী মসক/রাইহেঁ উকরি :—

(১) "হৌ-কংলইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা ইম্ফালগী লম মখৈদা হুনগনি।

(২) "হৌ থাঙরাইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা ইম্ফালগী লম-খৈগী অরাংগী লমখিবিক পু হুনগনি

(৩) "হৌ রাইরংবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা ইম্ফাল কংলৈগী লমখৈগী নোংপোক্তা লৈবা লম মখৈ নোংমাইজীঙ কাওবা হুনগদবনি

(৪) "হৌ সেল্লোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা নোংমাইজীঙ চীঙগী রাংমা, নোংপোক্তা লৈখিবা লম মখৈবু হুনগনি।

(৫) "হৌ লাংলোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা লিলোংদগী থৌবাল য়ৌবা কাওবগী লমখৈবু হুনগনি।

(৬) "হৌ লাললোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা হিয়াঙথাংদগী কোৌপাকচাও কাওবদা লৈরিবা সেগা লন্থীগী লম্বেলনা নোংচুপকী লমখৈ ওথরিবা লম মখৈবু হুনগনি।


(৭) "হৌ থরইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা অরোংদগী গুগ্ন কাওবদা লৈরিবা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক্তা সম্পোকত্রীবা লম মখৈবু হুনগনি।

(৮) "হৌ লেমলইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা গুগ্নগী মখা থারোমদা লৈত্রীবা লম মখৈবু হুনগনি।

(৯) "হৌ লোললোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা লাইরেন সজিকগী ঈরেংবন কাওবা তোংজে মরীল লন্থী/লম্বেলগী মনীঙদা লৈরিবা লম মখৈবু হুনগনি।

(১০) "হৌ খুরোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা ওইনামদগী নিং-থৌখোং কাওবদা লৈরিবা লম মখৈবু হুনগনি।

(১১) "হৌ ভাংভোইবু লম্মহন-ও"—হায়না হৌহুনা নিংথৌখোংদগী মোইরাং কাওবদা লৈরিবা লম মখৈবু হুনগনি।



(১২) "হৌ কেগৈর্-লম্মন-ও"—হায়না হৌহুনা মোইরাংগী মনীঙ/থাংজীঙ চীঙগী মনীঙ/নোংচুপ্তা থৈথ্রীবা লম মথৈবু হুনগনি।

(১৩) "চীঙচু বা লাইকোনম্বুং, মোংবা য়ুমদাং সাং হৌ (কংলৈবু/লাল লোইবু/থাঙরাইবু/থম্লইবু) লম্মহন হায়না হৌহুনা লাইকোন্দুদা লৈরূ-রিবা লইরাক্ পন্দুনা হুনগনি।

(১৪) "হৌ সেনবীবু লম্মহন"—হায়না কবোদ: অরাদা হুনবদা সীজিন্নগনি।

(১৫) "হৌ থোংলাংবু লম্মহন" হায়না হৌহুনা ময়াংদা হুনবদা সীজিন্নগনি।

(১৬) হৌ তাংখলবু, ংখাওবু অসিনচিংবা ত্রিপুরাদা, অহোম/অসাম দা সীজিন্নগনি।

লাইসোলগী মরম খায়দোকপা।

ঈরাৎ থৌনিগী লাইথৌ থবক পাংথোকপা তৌবা খুদিংমক্তা য়াওবা চিংথরবা লাইসোল্দি:—

১) অনম অথৌ কোকপা লাইসোল ২) নাহেরোল ৩) ঈরু লাইসোল অমম্বুং ৪) অভাই লাইসোল—মরিসিনি।

অপোকপা থুরূমদা:— অপোকলোন সোনগনি।

চুপ সাবদা:— ১) তুন্তাওরোন, ২) হুন্দিং কাপপা, ৩) নাইবরোন, ৪) য়েনখৌরোন,—লাইসোল ৪ সিনি।

উমংলাই ঈরাৎ থৌনিবদা:— ১) রুমংলোন, ২) পোংশি লাইসোন ২ সি থবক খুদিংমক্তা য়াওগনি।

পাথংবা চেঙহোঙবদা :— "সনা লমরোক" সকদবনি।
পাথংবা ঈকৌবদা :— "সনা লমরোক" সকদবনি।
পাথংবা ঈরাৎপদা :— "অহোঙলোন" সকদবনি।
পাথংবা থৌনিবদা :— "অহোঙলোন" সকদবনি।
কোনয়াই হুমবদা :— "কোম্বারোন" সকদবনি।
কৌদাং হপ্পুনা ঈরাৎপা থুদিংমক্তা :— হৈইসোয় মুপান লাইসোল সোনগদবনি।
খোইজু লাইথাম/লৈথাম ঈকপদা/থাবদা : - খোইজু লমরোক সকদবনি।
মুম সেৎবদা :— মুমতাই নাকসেং সোনগদবনি।
মৈ ঈরাৎপদা :— মৈগী লাইসোল তেংথা সোনগনি।
সীঙ সৎপদা :— সীঙসংলোন লাইসোন সোনগনি।
সীঙপাইবদা :— সীঙসংলোন লাইসোন সোনগনি।
লম তাইবদা :— লমতাই লাইসোন লোনগনি।

লাইথৌগী মাইবা থায়বা।

সীঙসংপা, সীঙগায়বা, লানচাক থাকপা, ঈরাৎপা থৌনীগী লাইথৌ থৌরম পুরমক তৌগদবা মাইবা মসক থায়দোকপগী মাইবা মথলশিংদি :-
১) কোন্দে নাকথং মাই/মাইবা, ২) মোংচুপ হাৱোঙ মাই/মাইবা
৩) থিংকোল মোম্বি মাই/মাইবা, ৪) য়োঙৌ লাংপোক মাই/মাইবা
৫) পানম য়াংকোক মাই/মাইবা।
মত্তাশিনি। মথোরনা লাইথৌ থৌরমশিংসিগী হৈথোই পাংথোইরবা মাইথশিংনি।

য়াইগোন্নসিংগী য়রোল-থাক্রোল

কোম্বারোল (কোনজ্রাই থাবগী লাইশোল)

ওঁ হৌ কংলইবু লম্মহন-ঙু । লমনেমবু অনিথোক ও, ছুনেমবু অহুম থোক-ঙু । তমপাকলোম (লইহৎরোন) ৫ মক লইমুরোন ৬ মক লইথাবী লইরাখী অপোক চম্মু, থমরাই য়াঙ্গবাম্মু, তমপাক লাইস্নক লইসোয় য়াখী-ঙু ! ঐবু সীজবা ইবুংঙো লইয়িংথৌ নোংথৌরেন অথোবা, চীঙঙু নথোঙ থাদা নম্ম হেপুংথৌ হেপেন্মাসিংনা পাথোইগে, পুথোইগে, কবোক্কাক ময়াংলাক, হাওলাক, পাংঙলাক, মীয়েংবানকা মীয়াইরেন হোং পূন্সি নোংসাংনা হায়হৈ লৌহৈনা পানগে হায়বগীদমক কোয়ৌনোংলুমপান অঙৌবনা লুপা কোনগা থা, মালনেম লইস্না অঙাংবানা সনা য়াইগা চন্নবনে, হৌকায়ো ॥

ঈসিংঙ্গা কোনয়াই হুনবগীদি

লইমুরোন ৫ মকপু মায়থা ওইনরিবা লইহওরোন ৫ মকপু কৈজুপ ওইনরিকা ঈথৈরেন নমুংবা ঈরৈমা য়ীনামুং কোয়ৌ নোংথৌরেন ৭ মগুগী কুমবীয়ক্রো মালনেম লইথারোন ৭ মগুগীস্মু কাবীয়ক্রো ।

অস্নুয়া লমসিংগী লইয়াং থঙনা কোনয়াই থাপনি/হুনগনি । কংলই/ ইকাংদা হুনবা/থাবা কোম্বাজ্রোননা নত্রগা কোনয়াই হুনবা থোয়মসি অস্নুবা লইরোনগী মলক্নি ।

মমম অথৌ লাইশোল



উম উং-হৈ, উং-হৈ কেয়োঙ্গীগা মেনগা য়াইগা, থওরিং থওয়ারাং থওরিং থওদিনলাংবু থওরিং থাবা পোংথৌ তমযে । থাবা মাবু লায়ংদে । হুমিংপোংথৌও তমযে; হুমিং মাবু লায়ংদে য়াওবা কোনথাঙসাগী পোংথও মথং পীজগে, কুমজা পালনে থাওগে, -নোকজা পালনো থওগে । তায়রে, তেয়রে ॥ ওঁ হৈ, ওঁ হৈ, ওঁ হৈ ॥ ❋ ॥ মম্মানবাং মোংবা তুতও থোংতওযোং, তুজোং থোংদেং নোংগীবু, থৎরিং

থওয়ায়াং, থওয়িং থওতিয়াংবু থওয়িং থাবা পোংথও ভমগে, থাবা মাবু লায়ংদে। মুয়িং পোংথও ভমগে, মুয়িং মাবু লায়ংদে, য়াউরা কোন-খাঙসাগী পোংথও মথং পীজগে, কুমজা পাললো থওগে, নোংজা পালো থওগে। ভায়রে, ভেরয়ে, ওঁ হৈ, ওঁ হৈ, ওঁ হৈ ॥

নহানবোং ভেকপী মওকচা, কাইরৈ ময়েনচা, কাওরেন মসনচা, য়াং-লঙ্গ ভাউবা মছুইচা পোংথুকাই সাকাইরবা নমলমবা লাকলবস্তু কিজি কিনা ভোয়া হুমলবা লাকলবস্তু, থওয়িং থওয়ায়াং, থওয়িং থওতিনলাংবু থওয়িং থাবা পোংথও ভমগে, থাবা মাবু লায়ংদে; মুয়িং পোংথও ভমগে, মুয়িং মাবু লায়ংদে। য়াউরা কোনখাঙসাগী পোংথও মথং পীজগে, কুমজা পাললো থওগে, নোংজা পাললো থওগে। ভায়রে, ভেরয়ে ওঁ হৈ, ওঁ হৈ ওঁ হৈ ॥*।

নাহইরোন লাইসোল



হা উং হা য়েং, থৌবিতেং লোইবীতেং, মুয়িংনা মথোকভৈ, থাবানা মচোংভৈ, চেংলই ভান্, ভংলই ভান, উভান্ভৈ ৱাভান্ভৈ, সীনস্থভৈ সাস্থভৈ, চয়োই-না খোংদমভৈ, য়াববীনা খায়দমভৈ, হুইথৌনা চীকোং-ভৈ, লাইরেন লাবা য়া-ওনভৈ, কৈরেন্ লাবা য়া-খোকভৈ, লংমাইনা মৈ হনভৈ, লংমাই হিজিন হিয়াথৌনা খিনগায়ভৈ, লাউখায়ভৈ, লংমাই থেজ্ থেজানা মুঙবীভাম্ কৌরাভাম, লংমাই খিকনেম মাইরেম, কুমবং নাউসং ৱাহোঙ চান্তৌ, লিনপোপ্ থৌরাং, কাংক্রক কাংনাও, উকোং মৈসাং, খাবা ভেনলোঙ্না খাইনীওনা থুন্বুনা, চীওহাংভৈ নোংহাংভৈ, পুরৈরোম্-দি সিকপ হও, সিকাই হও, অওক হো, অভাও হৌরববু মমাইবী অমাই-বা, ভমপ্রাক লইহওমাই, লংমাই লইহওনাইবীনা ভাইরেন লোঙ্মা লোমা, লাইজা ঈরম ৭ ভগী লাইজা খীককেন্ চায়রবদা, পুরৈ-রোম্বা মরোন থোক্রে, মরী থোকলে : থুনথম্মা লানথম্মা, খারৌ লাইজৌ

কোয়, নোংচুপ নোংপোক্ কোয়, থৈরম, নোংসিংলম্ কোয়, চুপকী লাইচী কোয়নরে; পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইরঈরেগনো, তীনচুবা লাই চুবা, তীনঙা লাইনঙা, তীনকাবা লাইকাবা পুম্নমকপু তীনকোকনরসে লাই-কোক্নরসে, তীনসেংনরসে লাই[illegible] পুনসিনর-সে নোংসাংনরসে, হা উং, হা উং, হা উং ॥*॥ থুমুংনা লাইমুংনা, পোকপীনা পানবীনা, ঙাম্নুনা থুম্নুনা, নাহানা মুবীনা য়াহওঙৈ, ফুথোংঙৈ রানথোংঙৈ, কৌসু ফৌরা থেক্, পুললাং লুরোয় থোং, লাইজা ঈপাল্ লাং, ঈমু ময়োল সং, লাইরায় হুইসোল কা, মচল মনীঙ্ তাউনা, মোইথাপ মোইরেল মতাঙৈ, সারোয় লাল্লোয় মতিনঙৈ, পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইলঈরগনো, হা উং ॥*॥ পোইরই কংলইনা, উরা লাইজীঙনা, থোইনাই ওমবুনা চেংলইয়াং থাউতেম্, হাওচেংয়াং নমবুম্, চেংলই উম্মুংতা, হেমচেং চামলৌ লৌপুংকৈ খোমপীতোং উঙামকৈ, চারাইবী হাওতল, রাইরীর াইতোন, থাংঙা য়ুচেং. কইথু কইরেন. লীংবী,/রাইচৈ. লীকলী রাথা, তাংথম লাইরাপোক, সোইবী সোইরা মতাঙৈ, সারোয় লাল্লোয় মতীনঙৈ পাম্নরসে সেং-নরসে, তীন্লঈরগনো লাইরঈরগনো, হা উং ॥*॥ লইচোন হাওতোনবা, চানেম য়ুনেম্বা, থোংগাই মেনদং লাকপা, লেংনা কোংবা ঈ, চীঙঙাংথু চীঙঙা লেন, সাজেপলম থুমবীলইহও, লইহও য়ুতও, রাথা লইতোয়, চেংগোয় নারল, থোবাল য়ীথোঙ কায়নতা, কারোং লাইথোং মতাঙৈ, সারোয় লাল্লোয় মতীনঙৈ পাম্নরসে সেংনরসে, তীন্লঈরগনো লাইরঈরগনো হা উং ॥*॥ থুরায় অঙোবা য়ুমথু য়ুমলেনবা, চকপারমবু কোনথাঙ লাইচৌবা য়াওরও কংদা, হেংনা কাইঙম্, ময়ায়রম সাকংলম্, মুঙথোং মুঙনাইবী, মুরোয়সি, ঙারংয়ান, থোংগ্রাংবী মাকতিং, উয়ান কৈয়াও, পোইরৌ হামপোইরৌ, সীথোং লেংথু লেংকেন, চীনকেন্ মকাইরেন, লাপাক থাঙচইথোম, কানক্ থাঙথোমলাকঙৈগী সারোয় লাল্লোয় মতীনঙৈ পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো, হা উং' ॥*॥ বাংথৈ অপোকপা কৌরংয়াঙ লাইকোকম্, লৌয়েবা ঙোংলেম্বনা পোকপা, পনম

রাংকোকপী, সাচেন্নম কোংবা হিকু হিরান, খাখোং লাইথোং মুরেংরেং, পার। সীঙথা, তাকনা লীনচীক মুংলো তাংলো, চীঙথর্ম চাঙপোক, কোয়চীঙ কোয়মহও, তোক্পা য়েনকৈচীঙ, হিদামচীঙ খুম্নহাই, চেকপী রায়া মতাংগৈ সারোয় লাল্লোয় মতীনটৈ পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো, হা উং'।।*।। উমুথুন পুঙকাইবা খেলাইবা, খুমন মচা মাইবা সুগ্বা, লমবান খোয়রাংপান, খোইজু লইমোনপান, লইমোন, চাগোইপান, পিডিংকোয় পাম্বীচা, ককলৌ তাউথোং, লোইজীঙ, লোইয়া, মতাংগৈ, সারোয় লাল্লোয় মতীনটৈ পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো হা উং'।।*।। খাংসু অতাবা, লাননা সীঙনাবা, ইংখোংসুম্বা কাসাম, সনকুং-লম, মইতেংঙ উরা কোনখোবা চীঙমৈরোঙ য়াংঙমথেন, অসৈ রাংপী, চিরিক চিনপান, হংগেন পোরাবী, কৌবা কৌরু, ঈরেং ঈথম, চীঙমৈ উমৈ মথমটৈ হিয়াঙ, হিরেন মতাংগৈ, সারোয় লাল্লোয় মতীনটৈ পাম্নরসে সেংনরসে, তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো, হা উং'।।*।। লেমলৈ খুমিংপা, খুদাং য়াইখুবা, য়াংলৌ নাহামাঙ, উয়্রীপোক খোংসায়ান, তাকয়েন নোং-খিন, য়ুচীঙ, লাংচীঙ, পেরে সারে, লাকচম, ফিবৌ, নরা খোইমোম, চুম্বা মানথা, সজিব্রো কাংঙামুং, চীঙবা ফুবা, খাবী নমবোন মতাংগৈ সারোয় লাললোয় মতীনটৈ পাম্নরসে সেংনরগে তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো, হা উং'।।*। খাই খোংমরি মরীন, নমবুল রাইনৈ, চীঙঙা পীসুম, হইপোক-লারাক, তওরিংবা লমরায়, সারেন য়াঙোয়, লোক্তাক হাওতাক, তাকমু তার্ক-সেন, খুগা মায়তোয়, চকপী লইতেম, মতাংগৈ সারোয় লাল্লোয় মতীনটৈ পাম্নরসে সেংনরগে, তীনলঈরগনো লাইরঈরগনো হা উং'।।*।। য়াইস্কুল খোঙলেল য়াইচমপাং, মুতু হইরাংখোং হইয়ামাঙ হামচৌবা, ককরা তীন-বাং, খোঙলেন তাইবী লাংথাপান, লিলোঙ থারোঙ, তপুংপান, চেকায়, কাইপী সওমপন, ঙাহৈ ফিবৌ, লৌকু অচনবা নোংয়াই লইকোয়পুঙ, উচীরা খোইতোংপান, কাকলেন সোয় কৌবাকচাও, পুমলেন হামলেন, ঈথায় পুনেম, সুগু, ঈরাইতা, থরই লেমলইদা মতাংগৈ, সারোয় লাল্লোয়

মতিনঙৈ পান্নরসে সেংনরসে, ভীনলঈরগনো লাইরঈগনো, সক-উ সা-উৰবা পুন্নমৰুপু মনেম মতাইথোককে, হা রেং কোলো কয়াগে ।।ঞ্জ।।

পুণ্ডকনবলোন লাইস্নোল



হা রিং, হা উং, ঈচীক চীরাই কোংমিংথৈবনা তুন্নেন রাইথুরীচামা মস্ম মথা কাংমা সেংনা, ভাকৃপা অর্ মহম তোংয়ে; ঈহঙ পোপথেকৃনা লইসাং হিদেন তোংয়ে, খাংগু নুঙা লায়বৰ'. লইকায় ছিগেম ভারাইবমা মুমজাও তোংয়ে, পোইরইভোননা লইখুন তোংয়ে, নোংমোই হুনা মুঙগ্রে ং-বী তোংয়ে; কারি করাবনা মুঙগোয়বী তোংয়ে; ভুবী যোইনোংতা নোংমা লাইয়েন পাথংবনা কংলা মেন তোংয়ে, অচুঙবৰ নপু হেবু'থৌ হেবেন্মসিংনা মৈনা রাই, ভাংনা সমনা ভীনথুং লাইথুং কত্তবা পুন্নমৰুপু কোকচরগে হায়না ঈরীক ঈসেংকোন লাইজ ঈরেন ৭মকুপী অমাইবা অমাইবীনা নাপী মীঙ-বী, নাসেন নাপু, নাতং নাথায়, জৌত্রে চাত্রে, উথোক রাথোক, ভাইরেন পুংকাই পারনা লাইজা থীককেন চাইরবদা ভীনকোকচরে লাইকোকচরে, ভীনলঈরগনো লাইরঈরগনো, ভীনসেংনরসে লাইসেংনরসে, হা রিং, হা উং ।।ঞ্জ।

ঈরু লাইসোল্



হা রেং, কোরো মচী ঈ, রাংবন্ মনাও ঈ, কসা লারং-ঈ, থাকপা পুরাং পুরৈরোম্বা পুরাং নাকাবা থোকৃমরোকী ওনদে-ঈ, থোকৃমরোকী হলরাই-ঈ, থোংনাংনানি রোঙবা কেংগায়-ঈ, লইতুম মুঙতুম ঈ, মুঙ্মু মুঙথৌ ঈ, অরাং কৌক্র অমুপপা য়ারকুপী ঠিন-থা ঈ, অসাংবম ঈদি রাইচং-ঈ, অরাম্বম ঈদি রাইকোয়-ঈ, নো থৌ সরারেল অরিবা, মরীকৃপী মরীকপা, সনকোনবী সনকোনবা, ঈরেন পীগ্রাই থোংত্রাইবী, কসা অসেম অসা হৈবী নঙনা সেম্বী সাবীয়ো, কোককুনরীয়ো, হা রেং, কোল্লো কয়াগে ।।ঞ্জ।

য়েন্‌থওরোন লাইসোল



